# ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুন ৫ঃ* মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু ঙসি ‘‘ৱার্ল্ড ইনভাইরোন্টমেন্ট দে’’ গী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা সেনিয়ার সিটিজেন্স ফোর সোসাইটি, মণিপুর অমসুং মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিলনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকখিবা পালন থৌরম অমদা ঐখোয়গী শেল-থুম ফগৎনবা চাওখৎ-থৌরাংগী শেমগৎ শাগৎপদা মহৌশাগী লৈজরিবা শক্তমশিং মাঙহনগুমসি হায়না কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ অমদি সেরিকলচরগী মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়খ্রে।

জেনিথ একাদমি অমদি স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুলগী মহৈরোই কয়াসু শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুগী চিফ গেষ্টকী ৱারোলদা মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা মখা তানা হায়খিবদা হৌজিক মালেমগী ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসিদা মীওইবা জাতিনা ইমা লৈপাক অসিদা কয়াম কুইনা হিংখিগদগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরে। ঙসিদি মীওই কয়ানা মাগী মাগী খুদোংচাবা লৌনবা অকোইবগী ফিভমশিংদা অহোংবা কয়া পীরকপদগী মখল কয়াগী লায়না-তিন্না পোকপদা নত্তনা অইং-অশাগী খল কাইরক্লে। অসিগুম্বা মালেমদা অহোংবা অকাইবা কয়া পীরল্লিবসি কলহৌনবা শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবগা লোয়ননা ‘‘গ্রিন-ইকোনোমি’’ অমা শেম্বা মথৌ তাই।

ঐখোয়না শেল-থুমগী ফিভম ফগৎনবা চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎপদা মহৌশাগী লৈজরিবা অকোইবগী শক্তমশিংদি খক কাইহল্লোইদবনি। মরমদি ঙসি মালেমদা অইং-আশা য়াওনা অকোইবগী ফিভমদা অহোংবা কয়া লাক্লিবসি ইকো-সিষ্টেমদা অহোংবা কয়া পীবদগীনি। শম্না হায়রবদা মৈ লাক্তবদি মোম বটি (কেন্দল) শীজিন্নদুনা ঙালহনবা য়াই। অদুবু অইং অশাগী খল কায়রকপা অমদি ঈশিংফংদবগী অৱাবদি উ-ৱাতনা কনবা ঙম্মি। মরম অসিনা ঐখোয় উ-ৱা কয়া মরাং কায়না থাবা তাই।

মতম অমা মীরম মচানা মণিপুরদগী লাকপা মণিপুরীশিংবু জঙ্গলি হায়রম্মী। অদুবু ঙসিদি ইং ২০০৭-২০০৯ সিদা ৮৯৬ স্কৱার কিলোমিটর অমগী জঙ্গল কোকশিল্লকপনা জঙ্গলিগী ৱাফম লৈত্রে। পুম্নমকসিনা মরম ওইরগা ঙসিগী ফঙ্কসনসিদা মীয়াম্না শাবদগী হুমাই হুমদুনা খংনরিবসিনি। পুম্নমকসি অফবা খোংথাং নত্তে। অদুনদি নোংমা নোংমগী মাংশিল্লক্লবা মোদর্ন আর্থ অসি কলহৌনবা পুন্না হোৎনমিন্নবা তাই।

সেনিয়ার সিটিজেন্স ফোর সোসাইটি, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন বিনোয়, জেনরেল সেক্রেটরি প্রো: এল সদানন্দা, ফোর্মর মিনিষ্টর ডাঃ এম নরা অমদি ইনভাইরোনমেন্টেলিষ্ট অমসুং ঐচ ও দি কেমিষ্ট্রি, এময়ুগী প্রোফ: এন রাজমোহন নচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা উ-চারা কয়া থাদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা চিফ গেষ্টনা ডাঃ এন নরানা ইমা ‘‘লমকোই ৱারী’’ অমসুং ‘‘প্রকৃতিনা তেংথাবা’’ হায়বা গোল্ডন পব্লিকেসনগী ৱারী অমসুং শৈরেং লাইরিক অনিসু ফোংখি। মখা তানা হন্দক পাঙথোকখিবা সিবিএসই গী ক্লাস টুয়েল্ভ পরিক্ষাদা চাদা ৯৯.৬ চৎতুনা ভারত পুম্বগী মকোক ওইরবা জেনিথ একাদমিগী মহৈরোই ইম্মৎতা পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা মাগী ত্রষ্টকী মিংদা লুপা লিশিং য়াঙ্খে মতেং পীখি। মদুদা শোখরবা খুন্নাই অসি শেমগৎপদা মহৈরোই ইসমাটনা মতেং পাংগনি থাজে হায়না মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা মখা তাখি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম অসি মণিপুর এমেচর ফোটো ক্লবনসু ‘‘গ্রিন ইকোনোমি-দজ ইট ইনক্লুদ য়ু’’ হায়বা থিমদা ফোটো একজিবিসন অমগা লোয়ননা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকখি। নুমিৎ নিনি চুপ্পা চত্থগদবা ফোটো একজিবিসন অদু মণিপুর সরকারগী দিপ্যুটি দিরেক্টর, তুরিজম ডাঃ কে শ্যামসুন্দরনা রিবোন কক্তুনা হৌদোকখি।

থৌরম অসিগী চিফ গেষ্ট ওইখিবা দিপ্যুটি দিরেক্টর ডাঃ শ্যামসুন্দরনা হায়খিবদা ঙসিগী থৌরম অসি য়াম্না মরুওইবা থৌরম অমনি। মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লবা থৌরমশিং অসিদা মণিপুর এমেচর ফোটো ক্লবকী থৌরম অসিনা তোঙাল্লি। থৌরম অসিদি তশেংনা সমাজ অসিগী হৌজিক হোংলক্লিবা অমদি ওইরিবা শক্তমশিং অদু ফোটোগা কোন্ননা মশক তাকপা ঙম্লে। ফোটো একজিবিসন অসিনা মীয়ামদা গ্লোবেল ৱার্মিংগা লোয়ননা অনৌবা এৱারনেস কয়া পীরে। মরম অসিনা ঙসিগী একজিবিসন অসিদগী অকোইবগী হোংলক্লিবা শক্তমশিং কনমিন্ননবা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়খি।

থৌরমদুদা ক্লব অসিগী মেম্বর দিমজিৎ গুরুময়ুমনা হায়খিবা ঙসি মীয়ামদা উৎচরিবা ফোটো অমদি ভিদিও ক্লিপশিং অসি মণিপুরগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদগী হকথেংনা লৌজরকপনি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি সমাজ অসিগী অইং-আশা হোংলক্লিবা কয়াসি ঙসি ঐখোয়না উরিবা শক্তমশিং অসিনাওইহল্লকপনি।  অদুনদি ঐখোয় পুম্নমক্কা অকোইবগী হোংলক্লিবা শক্তমশিং অসি অপুনবা থৌদাং অমগা লোয়ননা কনমিন্ননবা মীয়ামদা এৱারনেস পীজবনি। মসিদা মীয়াম্নসু শরুক য়াবিদুনা মতেং পাংবিয়ু হায়রি।

অমরোমদা মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দ অমদি  ইকো ক্লবনা পুন্না শিন্দুনা ষ্টেট গেষ্ট হাউস সঞ্জেন্থোংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা এম য়ুগী হান্নগী ভাইস-চাঞ্চেল্লর, মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রো বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি কে জগদিশ্বর অমসুং দি এম কলেজ ওফ সাইন্সকী হান্নগী প্রিন্সিপাল প্রো: জি তোম্বা শর্ম্মনা মথংশিৎনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা পাঙথোকখি।

পালন থৌরম অসিগী ৱাহৌদোক পীরদুনা মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দকী ইনভাইরোনমেন্ট সাইন্টিষ্ট এ গন্ধিরানিনা  ফোঙদোকখিবদা মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দনা চহি খুদিংগী ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী পালন থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লি।

উ-ৱা মরাং কায়না থাজিনসি। উমং কোকথোকপগী ৱাখল্লোন থাদোকপীয়ু। ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়খি।

পালন থৌরম অসিদা মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দনা পীবা বেষ্ট ইকো ক্লবকী মনা ভাইরোদান মেক্সৱেল হিন্দি প্রাইমারি স্কুল থঙ্গাল বজারদা পীখি। বেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন এন্দ মোনিটরিং কম্মিটি এৱার্দনা দি আই এম সি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মেম্বর সেক্রেটরিদা অমসুং বেষ্ট টিচর ইন-চার্জ এৱার্দনা সেন্ট জোর্জ হায়স্কুল ৱাংখৈগী টিচর ইন-চার্জ এন শ্যামকিশ্বরদা পীখি।

মণিপুর সরকারগী দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্টনা শিন্দুনা ইম্ফালগী কংলা হোলদা মণিপুর সরকারগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ফোরেষ্টে এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজ ভি কে থাক্রাল, আই এ এসনা চিফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুগী প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা আর কে নিমাইনা  হায়খিবদা, ঙসি মালেমদা অহোংবা কয়া পীরক্লিবসি মীওইবা জাতি খক্তনা নত্তে। নেচরনসু অহোংবা কয়া পীরকপদগী অইং-অশাগী খল কাইরকপনি। নেচরনা অহোংবা পীরকপদগী উ-ৱা কয়া কংশিল্লকপা, দেজার্ট কয়াদা হেন্না শাবা অমদি সমুদ্র অমসুং তুরেল কয়া অহোংবা পীরি।

পুম্নমকসিগী মথক্তা মীওই জাতিনসু মশাগী কান্নবা, চাওখৎপগী মিংদা অমদি চৎনবীদা অকোইবগী ফিভমদা মখল-মখা কয়াগী অহোংবশিং পীবনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি।

সবুদ্র অমসুং তুরেলগী ইমাই ৱাংখৎলকপা অমদি অকোইবগী হোংলক্লিবা কয়াশিংনা সমাজ অসিদা অহোংবা কয়া পীরক্লিবসি কন্নবা সরকারনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। অদুবু থৌওং অসিদি ঐচ আই ভি কন্নবা হোৎনবদা ঐচ আই ভি গা লোয়নরিবশিংদা কান্নবা ফংদ্রগা মসিবু থিংনবা হোৎনরিবশিংনা কান্নবগুম্বনি। মীওইবনা তৌগে খনবদা তৌবা ঙমদবা লৈতে। মরম অসিনা গ্লোবেল ৱার্মিংগী থেংনমিন্ননবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়খি।

অমরোমদা বি নেট মণিপুরনা শিন্দুনা থৌরম অসি ঙসি অয়ুক পুং ৭ তাবদা সেন্টর ফোর গাইদেন্স ওন হায়র ষ্টদিজগা খুৎশম্নদুনা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ভিজন ফাউন্দেসন মণিপুরগী চেয়ারমেন কৈ সৈত্যজিৎকী চেরোল অমদনা, চহি খুদিংগী পাঙথোকপগুম হন্দক চহিগীসু ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে ওবজার্ভেসন অসি ‘‘গ্রিন ইকোনোমি: দস ইট ইনক্লুট য়ু? হায়বা থিমদা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ইকোলোজি ৱিং এন্দ সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট সার্কল গভর্নমেন্ট মণিপুরগী গাইদেন্স মখাদা থৌরম অমা অচানবীগৈ অৱাং লৈকাইদা লৈবা থাবা ইংখোলদা ভিজন ফাউন্দেসন মণিপুর অমসুং ইন্দো-এসিয়ান ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী চেয়ারমেন কোন্সম ইবোহল, সোসিয়েল ৱার্কর সেঞ্জম কুলা অমসুং ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন অসিগী ভাইস চেয়ারমেন তখেল্লময়ুম তোম্বনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা ফাউন্দেসনগী চেয়ারমেন সৈত্যজিৎনা লুচিংদুনা কংলৈপাক মেদিকেল এন্দ পেরা মেদিকেল নর্সিং ইন্সটিট্যুটগী নর্সিং ষ্টুদেন্টশিংগা লোয়ননা উ চারা ৩০০ রোম থাবা ইংখোলগী অকোয়বদা থাখি হায়রি।